# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 10-01-2026)

**গভনর (এল)ঃ** বিষ্ণুপ্র জিলাগী মোইরাং কুম্বী লম্বীদা লৈবা বি.টি.সি.এল. পেট্রোল পম্প দিল্লর-এম.এস. ইলিদাস ফ্যুয়েল ষ্টেসনদা বোম লংশিনদুনা পোকখায়হল্লমখিবগী থৌদোক অদু মীৎয়েং চংবীনবা মনিপুর পেট্রোল্লিয়ম দিল্লরস ফেটরনিতিনা রাজ্যপাল-অজয়ক কুমার ভালাদা অইবা চেরোল পীদুনা তকশিনখ্রে।

চেরোল অদুগী মতুং ইন্না, ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুগী মমাংদা হৌখিবা চহিগী দিসেম্বর ৬ তসু দিল্লর অমদা বোম লংশিনদুনা অকি-অখঙ পীখিবা লৈখ্রে। মদুগী মতুংদা মরী লৈনবশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লাক্লিঙৈ চৈরক্তা ঙরাংগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা পেট্রোল পম্পশিংবু সরকারনা নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা মখা তানা থোকহন্নিংদবা থৌদোক্তনবা হোৎনবীবা, তুংদা পেট্রোল পম্পশিংদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোরকপা মতমদা অশি-অনা য়াওবা নৎত্রগা অমাং অতা থোক্লবদি মদুগী ক্ষেতিপুরোন সরকারনা পীবা অমসুং ঙরাং থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মাঙ তাকখিবশিং সরকারনা ক্ষেতিপুরোন পীবা হায়বা দাবীশিং চেরোল অদুদা য়াওরি। দাবীশিং অসি পীদ্রিবা ফাওবা ঙসিদগী তম্পাক্তা লৈরিবা পেট্রোল পম্পশিং থোং লোল্লগনি হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না খুৎশু খুৎলায়শিং অদু চুরাচান্দপুর, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ফংখিবনি হায়রি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চনবা থাংজিং ফুদ হিলসতা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা লোকেল মেট রোকেট অমা, কিলোগ্রাম মরিরোম লুম্বা আই.ই.দি. মঙা, কিলোগ্রাম অহুমলোম লুম্বা পোম্পী সেল অহুম, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ মরু ২৩ অমদি ইমতি কেস অনি ফংখি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসননা কোনবা নাতুম চীং অমদি সনাশাবীগী চিংশাং পরেংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, মেগজিন য়াওদবা কন্ত্রি মেট এ.কে. রাইফল অমা, বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, মিলিটরি হেলমেট অহুম, প্লেট য়াওবা বুল্লেট প্রুব জেকেট অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং ফংখি।

থৌবাল জিলাগী ইকো পাৎ এরিয়াদগী সি.এম.জি. অনি, শেমদোক্লবা পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, সিঙ্গল বোল্ট এক্সন রাইফল অনি, হেন্দ গ্রেনেদ অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং ফংখি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা আর.পি.এফ-পি.এল.এ, প্রিপাক (প্রো) অমদি কে.সি.পি. (নোয়োন) গী মীওই অমমম ফারে। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা-য়ু পুথোক পুশিন তৌরম্বনি হায়বা মীওই অনি পুলিসনা ফারে। মখোয় অনি অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লুৱাংশংবম মখা লৈকাইদগীনি হায়রি। পুলিসকী কাংবুনা ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সোরা চীং ৱাংবা এরিয়াদা ফাখিবনি হায়রি।

**পোপী (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী ঙাতন চিংশাং পরেংদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফোরেষ্ট বিভাগকা খুৎশমদুনা য়ান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে।

ইগজকিটিব মেজিষ্ট্রেট য়াওনা চত্থখিবা থবক অদুদা চাউরাকা একর ৪০ রোম পাক চাউবা মফমদা আইনগী ৱাংমদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং অদু য়ান্থৎখি। মফম অদুদা শারম্বা লৌতাংশং ১১ য়াওনা পোপী থাবদা শিজিন্নবা হার অমদি থুম

য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিংসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা থুগায়দুনা মাঙহনখি।

**ত্রান্সপোর্ট (এল)ঃ** নেসনেল রোড সেফতি মন্থ ২০২৬ কা মরী লৈননা ষ্ট্রেন্থেনিং মেদিয়া পার্টনরসিপ ফোর সেফর রোডস হায়বসিগী মতাংদা মেদিয়া সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি অয়ুক কৈশাম্পাৎ ইম্ফালদা লৈবা দি.আই.পি.আরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্লগনি।

রাজ্যগী ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা শিনবা থৌরম অসিদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ত্রান্সপোর্ট-অনুরাগ ভাজপায়, ত্রান্সপোর্টকী দিরেক্তর-খুমন্থেম দাইনা, আই.পি.আরগী দাইরেক্তর-ঙাঙোম উতম সিংহ, ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পি. সিফাং সেসিলিয়া সোপেংলা, অমজগী প্রসিদেন্ট-অশেম ভক্তা সিংহ অমসুং এদিটরস গীল্ডসকী প্রসিদেন্ট-খোগেন্দ্র খোমদ্রাম শরুক য়াগনি।

**লোক্তাক (এল)ঃ** কঞ্জারভেসন ওফ সঙাই ইটস ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ সসটেনেবল দিবলপমেন্ট হায়বসিগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চথগদবা রাজ্য থাক্কী ৱার্কশোপ কম এৱারনেস প্রোগ্রাম ঙসিদগী কৈবুল লমজাউ চিংমৈ অৱাং লৈকাইদা হৌরগনি।

সোসাইতি ফোর সঙাই এন্দ নেচর কঞ্জারভেসন কৈবুল লমজাউনা আই.বি.এস.দি. ইম্ফাল, কেন্দ্র সরকারগী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও টেকোলোজি অমসুং ৱাইল্ড লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ হন্দিয়াগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা সঙাইবু করমা য়োকখৎকনি অমদি ঈশিং নুংশিৎকী হোংলক্লিবা অসিনা কৈবুল লমজাউ নেসনেল পার্কতা পীরিবা চৈথেং হায়বসিগী মতাংদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংগনি।

**চান্দেল (এল)ঃ** লম্খুং শিনু রুল (এল.এস.আর) না অহুমলকশুবা তেনো অলম, লম্খুং ভিলেজ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

চান্দেল জিলাগী লম্খুং ভিলেজতা লৈবা নুপীশিংনা অনাল নাগাগী চৎনবী নাৎপু য়োকখৎনবা হোৎনদুনা লাকখিবা থৌদাংশিংবু মশক খঙবা ওইনা থৌরম অদু পাঙথোকপনি হায়রি।

**বজেটঃ** সংসদকী বজেট মীফম থা অসিগী ২৮ দগী হৌরগনি। কেন্দ্রগী বজেট ফেব্রুৱারী অমদা পুথোক্লগনি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্‌না সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা হায়-সংসদকী বজেট মীফম কৌবদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা অয়াবা পীরে। বজেট মীফম অসিগী অহানবা তাঙ্কক ফেব্রুৱারী ১৩ দা লোয়শিনগনি। অনিশুবা মীফমনা মার্চ ৯ দগী হৌরগা এপ্রিল অনি ফাওবা চথগনি। মীফম অসিবু য়ামা মরুওইবা মীফম অমা ওইনবা সরকারনা থবক পায়খৎলি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ঙসি গুজরাটতা চৎকনি।

মহাকা গুজরাটতা হেক থুংলবগা সোমনাথ মন্দিরদা চৎতুনা নুমিদাংৱাইরমদা পাঙথোকপা ওমকার থৌরমদা শরুক য়াবগা লোয়ননা মফম অদুদা পাঙথোকপা দ্রোন সো অমসুং মন্দির অসিগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা শরুক য়াগনি। মসিগী তুংদা প্রধান মন্ত্রিনা রাজকোটতা চৎতুনা ভাইব্রেন্ট গুজরাট রিজনেল মীফমদা শরুক য়াগনি। মীফম অসি সৌরাস্ত্র অমসুং কটচ লমদমগী ওইনা পাঙথোক্কদবনি। মীফম অসিদা ত্রেদ সো অমসুং ইগজিবিসনসু হৌদোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নিংথৌ গম্ভীর সিংহ লৈখিদবগী নীংশিং থৌরমদা অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুমবা উৎখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পাউ অসি-হুইয়েন লানপাউদনা মহারাজ গম্ভীর সিংহনা অৱাগী মখুৎতগী নীংতম্বা পুরকপদা চেনখিবা থৌনা লিংজেল অদু ঙসিগী মীরোলদসু চেলহনবা মথৌ তাই হায়না রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি সনা লৈবাক পাউচেদনা-মনিপুর শেল্লকপদা গম্ভীর সিংহগী থৌদাং চাউই, কাউফম থোক্তে হায়না রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

গম্ভীর সিংহ লৈখিদবগী ১৯২ শুবা নীংশিং থৌরমগী পাউ অসি-পোক ফম, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, পিপলস ক্রোনিকল, তমেংলোং টাইমস অমদি নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লামাইদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ঙসিদগী মতম কক্তনা ওইল পম্পশিং থোং লোনগদৌরি, মীওই কয়া থাউ লৌহৌনবা পম্পদা থোমজিন্নখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি সনা লৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইননি। পাউ অসি হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস য়াওনা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লামাইদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরি।

জানুৱারী ২৮ দগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী বজেট সেসনদা মনিপুরগী প্রসিদেন্ট রুলগী মরাইবক লেপকদৌরি হায়বা হেদলাইন অসি পোকফমদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

বোসেমগী চে লৌবদা অচৌবা স্কেম অমা চথরে, ইনক্কারি কমিতি শেমবা মহৈরোই লুপ তরুকা গভনরদা তকশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি নহারোলগী থৌদাংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

পাউমীশিং লায়েংবদা বাবিনা হোস্পিতালদা চাদা ২০ গী চাং হন্থনা লৌগনি হায়না বাবিনা গ্রুপ ওপ কম্পানিগী চেয়ারমেন এন্দ মেনেজিং দাইরেক্তর-ডা: থাংজম দবলিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি পোকফমদসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে। পাউ অসি গানফিয়ু মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

গভনর দিল্লিদা চৎখ্রে, জানুৱারী ১২ দা হল্লক্কনি হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউদা ফোংবা থেংনরে। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদনা-গভনরসু, স্পিকরসু দিল্লিদং চংশিনখ্রে, করিগীনো হায়বা চপ চানা খঙদ্রি হায়না হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।